**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ঈশিং ঈচাউগী মতুংদা অহানবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা দেঙ্গিনা মহৈরোই অমা নাবা থেংনরে।

২) ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা লাঙ্গোল চীংগী অকোইবদা য়েংশিন খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

৩) খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলখিবা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং ইম্ফাল্লোমদা পুথোরকপা হৌরে।

৪) ভারত অমসুং ভুতান্না লুপা কোতি লিশিং ৪,৯৫৮ চংগদবা প্রোজেক্ট ৬১ পায়খৎনবা য়ান্নরে।

অমসুং

৫) বঙ্গলাদেশতা কোতাগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবদা হিংশা য়াওরকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১০৪ শিরে, লিশিং ২,৫০০ হেনবনা অশোক অপন নংলে।

------

দেঙ্গি (এল)ঃ হন্দক মণিপুরদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউগী মতুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা চঙাংগৈদা হর্বাদ স্কুলদা দেঙ্গিনা নাবা মহৈরোই অমা থেংনরে। পাউ অসি হেক ফংবগা ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসকী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসার অমসুং মরী লৈনবা হকশেল বিভাগকী

ওফিসিয়েলশিংনা মহৈ লোইশঙ অদুদা চত্তুনা ছোর্স রিদক্সন তৌবগা লোয়ননা ফোগ্লিং তৌদুনা মখা তানা লায়না অসি শন্দোরক্তনবা হোৎনরি।

ফোরেষ্ট (এল)ঃ দি.এফ.ও- এন. গনেশকী লমজিং মখাদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি লাঙ্গোল চীংগী অকোইবদা খোঙনা চত্তুনা য়েংশিনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। খোঙচৎ অদু লাঙ্গোল তরুংদগী হৌরগা চীংখোঙদা অসুম চৎলগা ইরোশেম্বগী বিট ওফিসতা লমথুংফম ওইখি।

ফোরেষ্ট বিভাগনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি- লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা আইন কায়না লম খোপচিনবা অমদি মদুনা রিজার্ভ ফোরেষ্ট অসিগী শক্তমদা শোকহল্লক্লিবশিং য়েংশিনবনি। খোঙচৎ অদুগী মনুংদা রিজার্ভ ফোরেষ্ট অসিগী ইকোসিষ্টেমদা অকায়বা থোকহনবা য়াবা থৌওং কয়া থেংনখি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা রিজার্ভ ফোরেষ্ট অসিগী অকোইবদা চ্যেক পোষ্টশিং হাংদোকবা দি.এফ.ওদা তকশিনখি।

এরেষ্ট (এল)ঃ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা কে.সি.পি তাইবং ঙানবা গ্রুপকী মীওই অমা তেজপুর মখা লৈকাইদগী ফারেন। মহাক ককচিং অমসুং থৌবাল এরিয়াদগী লুপ অসিগীদমক শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মঙোন্দগী লুপা লিশিং ২২, এ.টি.এম কার্দ মরি অমসুং মোবাইল ফোন অনি ফংলে। ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি হায়রি।

উ (এল)ঃ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং বি.এস.এফনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা বি.এস.এফকী হেদক্বাটরসতা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দি.এফ.ও- গনেস নাগারাজন অমসুং বি.এস.এফকী দি.আই.জি- জে.কে. বিরদিনা লুচিংদুনা উ চারাশিং অদু থাখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দি.আই.জি- বিরদিনা হায়- পাক শন্না উ-ৱা থাবনা মহৌশাগী খল য়োকখৎপদা মতেং পাংবতা নত্তনা লমদম লমদমগী ওইনা ঙাকশেলগী লমদসু চাউনা কান্নবা পীরি। দি.এফ.ও- নাগারাজন্না মহাক্কী ৱারোলদা হায়- মহৌশাগী খল কাইথরক্লিবা অসি থেংননবগীদমক উমংবু কনদুনা থন্বা অমসুং নৌনা শেমগৎপা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে।

ইভিক্সন (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎ অমদি হৈঙাং এস.দি.সিশিংনা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নিয়ম কায়না লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক সরকারগী মরী লৈনবা লোইশঙশিংগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা চখরি।

কেম্প (এল)ঃ কৈশামথোং কবুই খুলগী কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- আর.কে. ইমোগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা লেমা লায়েংবগী থৌরম অদুদা মীওই ১১০ রোম লায়েংখি অমসুং হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

বিজেপি (এল)ঃ রঞ্জিতা গোলমৈবু বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্স পার্সন হাপলে হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা দলগী জেনেরেল সেক্রেটরিনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

গাড়ি (এল)ঃ খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা ঙরাং বোগি ৭ তা পুরকখিবা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং ইম্ফাল্লোমদা পুথোরকপা হৌরে। তোঙান তোঙানবা ত্রক ১৫ দা হাপ্তুনা পুথোরকপা পোৎলমশিং অদু পোৎলমশিং অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মখায়রোম তারকপা অদুৱাইদা নোনে য়ৌরক্লে। ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়- হায়রিবা ত্রকশিং অসি সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইম্ফাল য়ৌরক্লবা য়াই হায়রি।

জিরি (এল)ঃ বোরো বেক্রা পুলিস ষ্টেসনদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামগী মাইকৈদগী চান থকবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। মসিনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মাইকৈদগী অনিরকশুবা ওইনা চান থকবা পোৎলমশিং পীবনি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- রিলিফ কেম্প লৈরিবা মফম অসি জিরিবাম ময়োলদগী কিলোমিতর ৩৩ হেন্না চৎলগা লৈবা মফমনি। হায়রিবা রিলিফ কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১৩৩ রোম লৈরি।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী শেম্বীনবা দাবী তৌরদুনা ওল কোংবা রোড য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসননা ঙসি লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি। লম্বী পরিং অসিগী কৈরাও বিত্রা, ইরিলবুং থোং, বামোন কম্পু অমসুং কোংবগী মফম কয়াদা বন্দ শৌগৎপশিংনা থোরক্কুনা উ-ৱা ফৈজিনদুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি।

এৱারনেস (এল)ঃ মৈহৌ লাংপোক্তগী মতৌ করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন লিমিতেদ (আই.ও.সি.এল) মালোমগী ওইল দিপোটতা তাঙ্কক নাইনা চথুরকপা মোগ দ্রিল ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদু আই.ও.সি.এলগী শিন্নীশিং, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, মণিপুর ফয়ার সার্ভিস, এয়ারপোর্ট ফয়ার সার্ভিস, সি.আর.পি.এফ, নম্বোল পুলিস অমদি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট ব্রাঞ্চনা পুন্না খুৎশমরগা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ফার্ষ্ট এইদ পীবগী ত্রেনিং অমসু পাঙথোকখি।

নিৱাস (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মরুওইনা নুপীশিংনা লৈনবা সখি নিৱাস (নুপীশিংগী হোষ্টেল) অহুম হাংদোক্লে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার খুমন্থেম দাইনানা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হায়রিবা সখি নিৱাসশিং অসিদা লৈনিংবা থবক তৌরিবা

নুপীশিং, মহৈ তম্লিবা নুপীশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা য়াওরিবা নুপীশিংনা লৈবা য়াগনি। সখি নিৱাসশিং অসি ইম্ফাল ইষ্টকী পুরানা রাজবরি নোংমৈবুং, খাবম চুন্দ্রৈ থোং অমসুং পাঙ্গৈগী আর.কে. সনাতোম্বী কমপ্লেক্সতা হাংদোকপনি। মসিগীদমক আই.সি.দি.এস ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রক্ট প্রোগ্রাম ওফিসারগী টেলিফোন নম্বর- ৮৯৭৪৩৮৯২৩৭ দা কোল তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, হয়েংদগী হৌরগা লাক্লিবা ওক্তোবর ৪ ফাওবা নুমিৎ ১০০ নি চুপা চথুগদবা এৱারনেস কম এনরোলমেন্ট দ্রাইভ ফোর মিসন শক্তিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং খাবম চুন্দ্রৈথোংদা লৈবা সখি নিৱাসকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

সাইকো (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ঙসি মেকোলাদা লৈবা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং কোন্থৌজম মখা খাবম হাইস্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংবু লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে। মদুদা লাঞ্জেন্নরকপশিংগী পুকিং ৱাখল থৌগৎপীবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু লেমা পীখি।

লাই হরাউবা (এল)ঃ লাই হরাউবগী কাংলোন খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসিদগী লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা হয়িং খোঙবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী শঙলেনদা হৌখ্রে। নুমিৎ ৯ নি চুপা চথুগদবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদু সনামহি টেম্পল বোর্দকী ঙমথং লুচিং পুরেল বিদ্যাপতি শেঞ্জমনা হৌদোকখি। থৌরম অসিদা অমাইবা অমাইবি অমসুং পেনাগী পুন্না মীওই ৬৫ না শরুক য়ারি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ ককচিংনা শিন্দুনা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.সি.সি ককচিংনা কে.এফ.সি ককচিংবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱালিদা ৱাবগাইনা

আইয়া ককচিংবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখ্রে।

প্রোজেক্ট ঃ  ভারত অমসুং ভুতান্না লুপা কোতি লিশিং ৪,৯৫৮ চংনা প্রোজেক্ট ৬১ পায়খৎনবা য়ান্নরে। ভারতকী ফোরেন সেক্রেতরি বিক্রম মিশ্রি অমসুং ভুতানগী ফোরেন সেক্রেটরি উম পেমা চোদেননা পুন্না সভপাতি ওইদুনা ঙসি থিম্পুদা পাঙথোকখিবা অহুমসুবা ইন্দিয়া-ভুতান দিভলপমেন্ট কো-ওপরেসনগী মীফমদা প্রোজেক্টশিং অদু চহি মঙাগী মনুংদা পায়খৎনবা য়ান্নখিবনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়- পুন্না পায়খৎমিন্নগদৌরিবা প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ইনর্জি, স্কিল দিভলপমেন্ট, ইজ্‌কেসন, হেলথ, কলচরেল হেরিতেজ, কেপাসিতি বিল্ডিং, স্পোর্টস, য়ুথ একচেঞ্জ, দিজিতেল ইকোনোমি অমসুং স্পেচ টেকোলোজি য়াওরি। মীফম অদুদা ভারত অমসুং ভুতান্না ইনর্জি, ত্রেদ অমসুং শেল থাদবগী লমদা অমগা অমগা হেন্না মতেং পাংননবসু খন্নখি।

মোদি ঃ  ভারত অমসুং নিউজিলেন্দনা লল্লোন ঈতিক, শিক্ষা অমসুং স্পেচকী লমদা মাংজিল থানা থবক তৌমিন্ননবা য়ান্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নিউজিলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লকসোনগা টেলিফোনগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নবা ৱাফমশিং অসি য়ান্নখিবনি। লাক্কদৌরিবা চহিশিংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমসু লুচিংবা অনিনা য়ান্নখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ান্নখিবা অতৈ ৱাফমশিংগী মনুংদা- ইকোনোমিক কো-ওপরেসন, এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং ফারমাসিউতিকেলস য়াওরি। নিউজিলেন্দদা লৈরিবা ভারতমচাশিংবু নিংথিনা থম্মীবগীদমক প্রধান মন্ত্রিনা শ্রী লকসোনবু থাগৎপা ফোংদোকখি। শ্রী লকসোন্নসু লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারতমচাশিংবু নিংথিনা ঙাক শেনগনি হায়না থাজবা পীরকখি।

হেরিটেজ ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ৱার্ল্ড হেরিটেজ কমিতিগী ৪৬ শুবা মীফম হয়েং হৌদোক্লগনি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা পাঙথোক্কদবা মীফম অসি ভারতনা অহানবা ওইনা যুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদবনি। মীফম অসি থা অসিগী ৩১ দা লোয়শিনগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা যুনেস্কোগী দাইরেক্তর জেনরেল-মেদাম ওদ্রে অজোলে শরুক য়াগনি। যুনেস্কো ৱার্ল্ড হেরিটেজ সেক্রেটরিয়েটকী মীহুৎশিং অমদি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী অৱাংবা থাক্কী ফম পায়বা মীওইশিং থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

কেন্দ্রগী কলচর অমসুং টুরিজম মন্ত্রি-গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা পাউমীশিংদা হায়- ভারতনা অহানবা ওইনা মীফম অসি যুম্মু ওইদুনা নরেন্দ্র মোদি সরকারগী অহুমশুবা টার্মদা মীফম অসি পাঙথোক্কদবনি। মীফম অসিদা ভারতকী তোপ তোপ্পা কলা সংস্কৃতি অমসুং তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনগনি।

বঙ্গলাদেশ ঃ বঙ্গলাদেশতা কোতাগী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনবদা হিংশা য়াওরকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১০৪ শিরে, লিশিং ২,৫০০ হেনবনা অশোক অপন নংলে।

বঙ্গলাদেশতা থবক চংবদা রিজার্ভেসন তৌবগী মতাংদা চাউনা ইরাং থোরকখিবনি। থোরক্লিবা ইরাং অসিগী য়েংলগা ভারতকী মহৈরোইশিং মরুওইনা উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা, মেঘালয় অমসুং জম্মু কাশ্মীরদগীনা মশিং য়াম্বা মহৈরোই লিশিং ১ রোম সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী ঙমখৈ লাম্থোক্তুনা অৱাং নোংপোক লমদম য়ৌরকখ্রে। ইরাং অদুনা মরম ওইদুনা ইন্তরনেট অমসুং টেলিফোন সার্ভিসতা খুদোংচাদবা কয়া থোকপদগী ইমুং মনুংদা মহৈরোইশিং অদুগা পাউ ফাওননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরি।

মরক অসিদা, বঙ্গলাদেশকী প্রধান মন্ত্রি শৈখ হাসিনা মহাক্কী স্পেন অমসুং ব্রাজিল খোঙচৎ তোক্তুনা ওইরক্লিবা ফিভম অদু কুপা য়েংশিল্লি।

লৈবাক অদুদা হৌজিক ওইহরিবা ফিভম অদু পুলিস খক্তনা লাকশিনবা ঙমদবদগী মিলিটরি ফোর্সশিং শিজিন্নবা হৌখ্রে। ইরাং কনবা মফমশিংদা করফিউ থমজিনখ্রে।

অমিত ঃ ঝারখন্দদা পাল্লিবা হিমন্ট সোরেন্না লুচিংবা সরকার অসি লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী শেঙ্গা থুমজা তৌবা সরকারনি হায়না কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

রাঞ্চিগী পরাবৎ তারা মাইদানদা ঙসি পাঙথোকপা ঝারখন্দ বি.জে.পিগী এক্সটেন্দেদ ৱার্কিং কমিতিগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহনা হায়- রাজ্য অদুগী এম.পি অমগী য়ুমদগী লুপা কোতি ৩০০ ফংখিবা অমসুং মন্ত্রি অমগী পি.এদগী লুপা কোতি ৩০ ফাগৎখিবা অসিনা মসিগী ময়েক লারবা খুদমনি। বঙ্গলাদেশরোমদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিংনা রাজ্য অসিগী দেমোগ্রাফিদা চাউনা অহোংবা পুরক্লি। অদুবু সোরেন সরকারনা ভোৎ ফংনবগী ৱাখলদা হেন্না পুকিং চংদুনা মীতোপ চংশিল্লকপগী ৱাফম অসিদা করিসু তৌদনা লৈরি।

মীফম অদুগী তুংদা শ্রী সাহনা দল অসিগী ষ্টেট কোর গ্রুপকী মীফমদসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রিসু ওইহরিবা ঝারখন্দ বি.জে.পিগী ইলেক্সন ইনচার্জ- শিবরাজ সিংহ চৌহান অমসুং কো-ইনচার্জ হিমন্ট বিশ্বা শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

মীফমঃ কেন্দ্রগী বদজেট মীফমগী মাংওইননা রাজনিতি দল পুমমক্কী মীফম হয়েং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মীফম অসিদা সংসদকী সভা অনিমক্তা অয়েৎ অপন থোকহন্দনবা রাজনিতি দল পুমমকা মতেং পাংনবা খন্নগনি। কেন্দ্রগী বজেট মীফম লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌদুনা মথং থাগী ১২ ফাওবা চথগনি। মীফম অসি নরেন্দ্র মোদি সরকারগী অহুমশুবা টার্মগী অহানবা বজেট মীফমনি।

মীফম অসিদা সরকারনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট লো এমেন্দ তৌবা য়াওনা অনৌবা বিল ৬ পুথোক্কনি। ফাইনান্স বিল খক্তা নত্তনা সরকারনা এয়ারক্রাফট এক্ট ১৯৩৪ গী মহুৎ শিন্নবা ভারতিয়া বাইয়ুয়ান বিধেয়ক-২০২৪ সু পুথোক্কনি। মসিনা এভিএসন সেক্তরদা লল্লোন ঈতিক তৌবদা হেন্না কানহল্লগনি। মীফম অসিদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না কেন্দ্রগী বজেৎ থা অসিগী ২৩ দা পুথোক্কনি।

নোং ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-গুজরাট, কোনকান, গৱা অমসুং করনাতক্কী মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি। হৌখিবা নুমিৎ নিনিদা গুজরাটকী তোঙান তোঙানবা জিলা খরদা নোং কন্না চুবদগী ঈশিং ঈচাও থোক্লকপা য়াবগী অৱাবা মায়োকরি

অকাশবানি পাউমীনা হায়-পোরবন্দর অমসুং দ্বৱারকানা খ্বাইদগী হেন্না নোংনা শোকহনবা মফম ওইরে। নোংনা মরম ওইদুনা খুঙ্গং ৫৭ লোম ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরে।

------